হিরো আই-লীগ ২০১৯-২০

ক্বেস ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীনা নেরোকা এফ সীবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ইন্দিয়ন ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা লীগ টুর্নামেন্টতা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হিরো আই-লীগ ২০১৯-২০গী ঙসি নেরোকাগী হোম গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অনীশুবা মেচ ওইনা ক্বেস ইষ্ট বেঙ্গল এফ সীগা শান্নখিবদা য়ুম্বু নেরোকাবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি, ক্বেস ইষ্ট বেঙ্গলগী হোম মেচতা রিএল কাশ্মীরগা শান্নখিবা মেচতা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি অদুগা অনীশুবা মেচ ওইনা মিনরভা পঞ্জাবকা শান্নবদা দ্রো চৎখিবনা ঙসি নেরোকাগা শান্নবা অসি য়াম্না মরু ওইবা মেচ অমা ওইখি। নেরোকা টিমসু আইজেল এফ সীগা অহানবা হোম গ্রাউন্দগী মেচতা মায় পাক্তুনা একাউন্ট হাংলবসু অনীশুবা হোম মেচ অসি মায় পাকপা য়াম্না মরু ওই।

ঙসি শান্নখিবা মেচকী অহানবা হাফতা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা চানা শান্নরকখি। শান্নবগী ২০শুবা মিনটতা নেরোকাগী শান্নরোয় ধনঞ্জয়না দি বোক্স এরিয়াদা ফাওল তৌরুবদগী রেফরিনা পেনালটি অমা পীখি। পেনালটি অদু জাইমে সন্তোস জর্সি নম্বর ৮না পাঞ্জল ওহ্নোক্তুনা ইষ্ট বেঙ্গলগী একাউন্টহাংখি। নেরোকাগী মায়কৈদগী গোল ইক্বেলাইজ তৌনবা অকনবা শাফুগা লোয়নননা শান্নরকখি। চানসো হোরামগী ফজরবা পাস অমা ওইরোম থংবা মায়কৈদগী ক্রোস তৌদুনা পীরকপা পাস অমা বৌবকার দাইরানা লিদিং তৌরগা গোল ওহ্নোক্তুনা ১-১দা লৈহনখি। মিনট ২ কান্নরগা নেরোকাগী মায়কৈদা চথরকপা এটেক অমদা দি বোক্স ময়াদা ইষ্ট বেঙ্গলগী দাইরেক্ট কিক অমা ফংখি। কিক অদু জুআন মেরোননা গোল ওহ্নোক্তুনা ২-১দা মাঙজিল থাদুনা অহানবা হাফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা টিম অনীনা হেনজিন্নবা য়াদনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৫০শুবা মিনটতা নেরোকাগী দি বোক্সতা হেন্দ বোল অমা ইষ্ট বেঙ্গলনা ফংখি। পেনালটি অদু জাইমে সান্তোসনা পাঞ্জল ওহ্নোক্তুনা ৩-১দা অমুক মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা মার্কজিমেঞ্জনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ৪-১দা মাঙজিল থাখি। মেচ অসিদা ক্বেস ইষ্ট বেঙ্গলনা স্কোর ৪-১দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট টেবলগী অহুমশুবদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। অদুগা নেরোকা এফ সীনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা তরেৎশুবা মফমদা লৈখি।

ঙসি গুরু নানক ষ্টেদিয়মদা পঞ্জাব অমসুং চেন্নায়িন সিটি লম্বা তৌনখিবা অদুদা পঞ্জাবনা চেন্নায়িন সিটিবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীখি। পঞ্জাবনা মেচ ৩ শান্নবদা মেচ অমা মায় পাল্লুগা অমনা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা টেবলগী ৫শুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

অহানবা ওদেসিয়স কপ ২০১৯

সুন্দর এফ সী কৈথেলমানবী মায় পাকখ্রে, জেক এফ সী অংথানা ৱাক ওভর ফংখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওদেসিয়স গ্রুপ নিংথৌনাইনা শীন্দুনা নবেম্বর ২৫দগী য়াইরিপোক নিংথৌনাস শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা ওদেসিয়ন কপ সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সুন্দর এফ সী মায় পাকখ্রে। অদুগা জেক এফ সী অংথানা ৱাক ওভর ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা তাসকিরা ফর্নিচর অমসুং সুন্দর এফ সী কৈথেলমানবী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা সুন্দর এফ সী কৈথেলমানবীনা তাসকিরা ফর্নিচরবু পাঞ্জল ৮-১দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি।

সুন্দর এফ সী কৈথেলমানবীগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু সঞ্জিৎ জর্সি নম্বর ৮না শান্নবগী ২২শুবা, ৩৫শুবা, ৩৯শুবা অমদি ৪০ প্লস টু চৎপদা পাঞ্জল মরি, অরুন জর্সি নম্বর ১১না মেচকী ৩৬শুবা অমদি ৩৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী, নরেন মাইবম জর্সি নম্বর ১০না মেচকী ১৮শুবা অমদি ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চনখি। অদুগা মায়থীহৌরবা তাসকিনা ফর্নিচরগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু অজমিন জর্সি নম্বর ৭না মেচকী ১৯শুবা মিনটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা জেক এফ সী অংথা অমসুং ৱাংজিং এফ সী লম্বা তৌনগদবা অদু ৱাংজিং এফ সী রিপোর্ট তৌরদবনা মরম ওইদুনা মেচ অদু জেক এফ সী অংথানা ৱাক ওভর ফংখি।

এফ আর দব্লিয়ু সীনা অম্ফাদা ফুল কো-ওপরেসন পীরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএন এস): অম্ফাগী প্রসিদেন্টনা চেয়র লৌদুনা অম্ফাগী ওফিসল য়াওনা পাঙথোকখিবা মীটিংশিং অদুদগী ফুটবোল রেফরি ৱেলফেয়র কম্মিটিনা অম্ফাদা ফুল কো-ওপরেসন পীবা হায়না য়ানরে। মীটিং অদুদা অম্ফাগী প্রসিদেন্ট অমসুং ওফিসলশিংনা ফুটবোল রেফরি ৱেলফেয়র কম্মিটিদা মতম পুম্নমক্তা রেফরিশিংদা য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্লা চৎকনি হায়বগী থাজবা পীরক্লে হায়না এফ আর দব্লিয়ু সীগী কনভেনর হাওবম খম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

মেদল লৌরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএন এস) : কর্ণাটকা বেদমিন্টন এসোসিএসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুবা টি লিওনিনা য়ু-১১ সিঙ্গলসতা সিলভর মেদল লৌরকপদা পুন্সিয়াই বেদমিন্টন ত্রেনিং সেন্টরনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবা টি লিওনি হৌজিক হৌজিক ইম্ফাল ৱেষ্টর্ন ক্লব উরিপোক্তা লৈবা পুন্সিয়াই বেদমিন্টন ত্রেনিং সেন্টরদা কোচ ঐচ য়াইফবগী লমজিং মখাদা শান্নরি।

২শুবা কয়ামুদ্দিন ত্রোফি ২০১৯-২০

ৱান্টেদ বোইজ, এস এম এস এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ৱান্টেদ বোইজনা শীন্দুনা কয়ামুদ্দিন শান্নবুংদা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ত্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱান্টেদ বোইজনা ফুন্দ্রে এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা অদুগা এম এস এস এফ সীনা য়ু ৱাই এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অনীশুবা কয়ামুদ্দিন ত্রোফি ২০১৯-২০গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৱান্টেদ বোইজ অমসুং ফুন্দ্রে এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসি হেক হৌবগা ৱান্টেদ বোইজনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা ৱান্টেদ বোইজকী শান্নরোয় অৰ্বাস জর্সি নম্বর ৮না একাউন্ট হাংদুনা মেচ অদু ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। অৰ্বাসনা চনখিবা পাঞ্জল অদু ফুন্দ্রে এফ সীগী মায়কৈদগী হন্দোক্কবা অকনবা শাফুগা লোয়নননা হোৎনরকখি। অদুবু ৱান্টেদ বোইজকী দিফেন্স লাইন য়াম্না লীংনা লৈখিবনা হাইজিনবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱান্টেদ বোইজনা ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাফতা ৱান্টেদ বোইজনা মখা তানা হেন্না ফজনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৩২শুবা মিনটতা টিম অসিগী শান্নরোয় রহমান জর্সি নম্বর ১০না পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি।

মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা ফুন্দ্রে এফ সীগী মায়কৈদগী শোত্থরিবা পাঞ্জলশিং অদু হন্দোক্লবা হোৎনরবসু পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু ৱান্টেদ বোইজনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা য়ু ৱাই এফ সী অমসুং এস এম এস এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস এম এস এফ সীনা য়ু ৱাই এফ সীবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা হাফতা এস এম এস এফ সীগী মায়কৈদগী জাহিন খান জর্সি নম্বর ১১, দানিশ জর্সি নম্বর ৭না মথংশিংনা মেচকী ৬শুবা অমদি ১৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমমম চনখি। য়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী গয়াউদ্দিন জর্সি নম্বর ৮না মেচকী ১৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনখি।

অনীশুবা হাফতা এস এম এস এফ সীগী মায়কৈদগী অবরার জর্সি নম্বর ১৫না মেচকী ৪০শুবা অমদি ৪১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৪ শুখি। অদুগা য়ু ৱাই এফ সীগী মায়কৈদগী এম দি অরিশ জর্সি নম্বর ৯না মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ২ শুখিবনি।

অহানবা পু দেমখোসিক গাংতে মেমোরিএল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

য়ু কে এস সী, এম টি ভি টি, টি কে য়ু ভি সী, ৱাই পি এ, এম পি এস সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস): ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা পু দেমখোসিক গাংতে ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯দগী চথরক্লিবা অহানবা পু দেমখোসিক গাংতে মেমোরিএল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা য়ু কে সী, এম টি ভি টি, টি কে য়ু ভি সী, ৱাই পি এ, এম পি এস সী, কে ৱাই এল এস সী, ৱাই এম দি ও অমসুং আর সী মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা পু দেমখোসিক গাংতে মেমোরিএল মেন্স ওপন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা য়ু কে এস সীনা এস এস সীবু সেট ২-০ (২৫-২০, ২৫-২১) দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা এম টি ভি টিনা এস বিবু সেট ২-০ (২৫-১৫, ২৫-১৩) দা; অহুমশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই পি এনা কে ভি এবু সেট ২-০ (২৫-১১, ২৫-১২) দা, মরিশুবা গ্রাউন্দদা টি কে য়ু ভি সীনা হোষ্ট টিমবু সেট ২-০ (২৫-১১, ২৫-১৫) দা, মঙাশুবা গ্রাউন্দদা এম পি এস সীনা এন ৱাই ভি এবু সেট ২-০ (২৫-১৫, ২৫-১৮) দা, তরুকশুবা গ্রাউন্দদা কে ৱাই এল এস সীনা টি এ ৱাই সীবু সেট ২-০ (২৫-৭, ২৫-১০) দা অদুগা তরেৎশুবা গ্রাউন্দদা আর সীনা টি এ ৱাই সীবু সেট ২-০ (২৫-১১, ২৫-১৮) দা মায়থীবা পীখি।

টেবল টেনিস য়েথোক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা ২০শুবা ষ্টেট ভেটরান টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ থা অসিগী ১৩দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্লা অদু হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফীভমনা মরম ওইদুনা য়েথোক্লে হায়রি।

পোলো পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিংদা করিগুম্বা খরা খঙহল্লি মদুদি ৩৬শুবা মেন্স, ১৫শুবা ৱিমেন্স, ৩শুবা জুনিয়র বোইজ য়ু-১৬ ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ মথং চহীগী জন্যুৱারী ৫দগী হৌদুনা মপাল কাংজেবুং, পোলো গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্মনা থা অসিগী ২০দগী থাবা হৌরগনি। ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা থা অসিগী ২৫ ফাওবা ওইগনি। ফোর্ম পীশিনবা অমসুং লৌবনা ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী ওফিসতগী নুংথিল পুং ২ দগী ৪ ফাওবগী মনুংদা ওইগনি হায়না ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

৬৫শুবা নেসনল স্কুল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯

কে কেনে, দেনিএল, দোল্লর, পৃথিবীরাজকী টিমনা ইপী ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএন এস): দিরেক্টরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুথ সার্ভিসেস মহারাষ্ট্রনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ৫শুবা নেসনল স্কুল ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ (অন্দর ১৭ বোইজ এন্দ গর্লস) দা কে কেনে, এন দেনিএল, এম দোল্লর, সী ঐচ পৃথিবীরাজকী টিমনা ইপী ইভেন্টতা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ইন্দিভিজুএল ইভেন্টতা মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয়শিং অদুদি ফোইল ইভেন্টতা দব্লিয়ু সোনিয়ানা সিলভর, ইপী ইভেন্টতা কে চন্দ্রিকানা সিলভর, ফোইল ইভেন্টতা এল নিরমলনা ব্রোঞ্জ, ইপী ইভেন্টতা কে কেনেনা ব্রোঞ্জ, ফোইল ইভেন্টতা এস ৱাশিংটননা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখি।

টিম ইভেন্টতা মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিং অদুদি ফোইল ইভেন্টতা এল নিরমলা, দয়ারানি, ঈ সোনিয়া, দব্লিয়ু সোনিয়াগী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

সেবর ইভেন্টতা এল অম্বিকা, অবেস্না, পি ঐচ বেবি, ভাটিকাগী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে। ইপী ইভেন্টতা কে চন্দ্রিকা, পি ঐচ বিজিয়া, টি প্রীটিরানি, পি এরেনাগী টিমনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

লোইশিল্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএসন্না শীন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর হোলদা থা অসিগী ৮দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ৩শুবা মণিপুর ষ্টেট টাইক্বান্দো চেম্পিয়নশিপ ২০১৯-২০ হয়েং লোইশিল্লগনি। লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর য়ুম্নাম খেমচান্দ, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ/সীগী এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্র অমসুং ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট বোবি ৱাইখোম আই এ এসনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি হায়রি।

পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএনএস): মণিপুর অর্মরেষ্টলিং এসোসিএসন্না শীন্দুনা মথং চহীগী জন্যুৱারী ১৮দগী ২০ ফাওবা ৩৮শুবা (মেন্স, ৱিমেন্স, মাষ্টর, জুনিয়র) ষ্টেট অর্মরেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ (ৱিন্টর সিসন) কোংপাল ইরানফম থোংখোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

চকপী য়ুনাইটেদ কপ

চকপীকারোং য়ুথ ক্লব, কে ঐচ খুনৌ (বি), অসাম রাইফলস এফ সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএন এস): চকপী য়ুনাইটেদ কম্মিটিনা শীন্দুনা চকপী কারোং গ্রাউন্দদা চথরিবা চকপী য়ুনাইটেদ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা চকপীকারোং য়ুথ ক্লব, কে ঐচ খুনৌ (বি) অমদি অসাম রাইফলস এফ সী মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা মেচ ওইনা চকপীকারোং য়ুথ ক্লব অমসুং ন্যু য়ুনাইটেদ ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অসিদা চকপীকারোং য়ুথ ক্লবনা ন্যু য়ুনাইটেদ ক্লবপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতা কে ঐচ খুনৌ (বি) না দাম্বু এফ সীবু পাঞ্জল ৬-০দা মায়থীবা পীখি। অহুমশুবা গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেচতনা অসাম রাইফলস এফ সীনা শজিক তম্পাক এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

এস এস য়ু টিমদা ফুরিৎ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা থা অসিগী ৪দগী টিম ৩২না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬৩শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ, কে সী এস আই, সী বি ঈ মেমোরিএল ইনভাইটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০দা শরুক য়াগদবা সাউর্দন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু) টিমনা লিংকদবা ফুরিৎ য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস এস য়ুগী প্রসিদেন্ট আর কে সনাজাওবা, ভি পি মঙলেম, এল রোমেন, সনাহল, জেনরেল সেক্রেটরি রোমেশ, ত্রেজরর ইবোপিশক, মেনেজর খেলেন অমদি কোচ ধোনেনসু শরুক য়াখি।

বোদিবিল্ডরগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএন এস): ইন্দিয়ন বোদিবিল্ডরস ফেদরেসন (আই বি বি এফ) গী মীৎয়েং মখাদা দি অন্ধ্রা বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন্না শীনবা ১০শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ২০২০ অন্ধ্র প্রদেশকী ইষ্ট গোদবরিদা মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ১ অমসুং ২দা পাঙথোক্লগনি লোয়নননা দি এসোসিএসন ওফ বোদিবিল্ডরস দিল্লিনা শীনবা ৯শুবা ফেদরেসন কপ ২০২০না মথং চহীগী ফেব্রুৱারী ২৯ অমদি মার্চ ১দা দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা চেম্পিয়নশিপ অনী অসিদা শরুক য়ানবা মণিপুর টিম শেম্নবা ত্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৫গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসন (অম্বা) গী ওফিসতা পাঙথোক্লগনি।

মণিপুর টিম শেম্নবা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা অম্বাদা রেজিষ্টর তৌরবা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি অমদি অকূপ্পা মরোল জেনরেল সেক্রেটরি নৎত্রগা অম্বাগী ওফিসতগী খঙলবা য়াগনি হায়না ওল মণিপুর বোদিবিল্ডরস এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুমলেম্বম সুনন্তনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

M.S.S
MSS BRICKFIELD
MECHANISED BRICK UNIT
Patsoi Part One, N.C. Road, Imphal West
☎ +91 7627923289, 8974869590
BRICK RATE DISCOUNT UPTO 31ST DECEMBER 2019

SL.NO.	TYPES	DISCOUNT RATE
1.	1ST CLASS	₹12.00/-
2.	2ND CLASS	₹11.50/-
3.	REJECT / JAMAT	₹10.50
4.	PETI	₹10.00/-
5.	3RD CLASS	₹6.00/-

* NB: ALSO AVAILABLE ALL SIZE OF STONE CHIPS
HL-P/5476/11-14

LIVE MORE Vespa
PIAGGIO
aprilia SR160
STORM-125
EASY LOAN AVAILABLE
MINIMUM DOWN PAYMET
INSTANT LOAN PROCESS
INSTANT DELIVERY
VESPA URBAN CLUB 125
T&C APPLY
TULASI MOTOR'S PVT. LTD.
Please Contact:- +91-9366953592/9366671957

HL-B/5837/29nov to 27jan

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com